www.sanaleibak.in

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK — PROGRESSIVE JOURNALISM — সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 15,350
22 Carat/g : ₹ 14,305
1 Kg Silver : ₹ 2,55,000
10 Gram Silver : ₹ 2,500
WEATHER: Scattered Thunderstorms
Temperature 30/22°C
Sunrise: 04:56 AM
Sunset : 05:29 PM
Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57
GAS TODAY Nill
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 278 | IMPHAL, SATURDAY, SEPTEMBER 19, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | থাংজ, লাংবনগী ৮ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

UPI
UNIFIED PAYMENTS INTERFACE

# য়ু পি আইঃ নহাক্কীদি হান্নগুম লায়, কনখৎহনবা হয়েংগীদমক্তা

মীশক অমদগী অমদা তৌবা ত্রান্সজেক্সনশিং — ফ্রী

মীশক অমদগী মার্চেন্ট অমদা তৌবা ত্রান্সজেক্সনশিং ৯৬% — ফ্রী
মীশক অমদগী মার্চেন্ট অমদা লুপা ২,০০০গী মথক্তা তৌবা ত্রান্সজেক্সন শুপ্নগী ৪%

তঙাইফদবা অমসুং গভর্ণমেন্ট সার্ভিসশিং লুপা ২,০০০ ফাওবা — ফ্রী
লুপা ২,০০০গী মথক্তা ফ্লেট লুপা ৫ এম দি আর

RuPay
রুপে দেবিট কার্দ ত্রান্সজেক্সন পূন্নমক — ফ্রী

## করিগীদমক্তা খনগৎলবা হায় ভেল্যু মার্চেন্ট ত্রান্সজেক্সনশিংদা মশিংতগী ওইবা এম দি আর?

ঐখোয়গী ইন্দিজেনস পেমেন্ট সিষ্টেমদা মতম শাংনা গ্রোথ লৈনবা

মফম খুদিংদা অমসুং সিটিজেন খুদিংদা য়ু পি আই লৌবাঃ মোবাইল শীজিন্নবা কোটি ১২০, অদুবু য়ু পি আই শীজিন্নবা কোটি ৫৬.৫

ইন্দিয়াগী ফিন টেক ইকোসিষ্টেমদা ইনভেষ্টমেন্ট পুরক্লবা –মালেমগী ৪শুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকোনোমি অমসুং চাওখৎলক্লিবা

লৈবাক অসিগী সিটিজনশিং সেবা তৌনবগীদমক্তা য়ু পি আই অমসুং ফিচর ফোনশিংদা ফিচর য়ু পি আই ক্রিদিটকুম্বা অনৌবা প্রদক্টশিং অমসুং সার্ভিসশিং হৌদোকপা

মালেমগী রিয়েল টাইম ইনষ্টেন্ট পেমেন্টশিংগী ৪৯% য়ু পি আইনা পায়



ভারতকী মীয়াম্না মসি ওইথোকহল্লিবনি
নহাক্কী থাজবা অমসুং শৌগৎপগীদমক্তা থাগৎচরি

NPCI भारतीय राष्ट्रीय भुगतान निगम NATIONAL PAYMENTS CORPORATION OF INDIA | ALWAYS FORWARD | PCI Payments Council Of India

CBC 07101/13/0041/2627

Volume No: 50 Issue: 278 | IMPHAL, SATURDAY, SEPTEMBER 19, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | থাংজ, লাংবনগী ৮ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ‘রিলিফ কেম্পতা লৈখিদ্রবা মীওই ২৫গী মরিক চুম্বা রিপোর্ট মণিপুর লৈঙাক্না পীগদবনি’




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
হৌখিবা ২০২৩গী মে ৩দগী থোক্লকখিবা মণিপুরগী ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মতম শাংনা ময়ুম মকৈ চঙবা ঙমদনা তোঙান–তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই দি পি) ২৫ মীশি চাদনা লৈখিদবগী মতাংদা মরিক চুম্বা রিপোর্ট পীখৎলক্কবা সুপ্রিম কোর্টনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিদা অকনবা য়াথং পীখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবা মীওই ২৫ অসিগী পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট পীখৎলক্কবা অমদি আই দি পিশিংবু ঙাক শেন্দুনা থন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করি করম্বা খোঙথাং লৌখৎলিবগে হায়নসু মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহনখ্রে।

ইং ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী ইরাং অসিগা মরী লৈননা থাঙ্গৎলকপা পিটিসনগী মনুং চন্না সুপ্রিম কোর্টতা চত্থখিবা হিয়ারিং অমদা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া সুরিয়কান্তনা লুচিংবা জষ্টিস জয়মলয়া ভাক্সি অমদি ভি মোহানাগী বেঞ্চ অমনা মণিপুর লৈঙাক্তা দিরেক্টিভ পীখিবনি। মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা জম্মু এন্দ কাস্মির হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস গীতা মীতলনা লুচিংবা কম্মিটিনা চত্থরকখিবা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া সুরিয়াকান্তগী বেঞ্চ অমনা মণিপুর ...মখা লমায় ৬তা...

## ‘নুপীশিংগী থৌদাং শীংথাবিবা ৱাংলি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
মণিপুরী নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং খুন্নাই অসিনা শীংথাবিবা ৱাংলি হায়না রাজ্য সভাগী মেম্বর অধিকারিময়ুম সরদা দেবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল মণিপুর প্রাইমারি হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস আর্টিসিয়ান ওর্গনাইজেসননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টগী থৌসু পুরিবা সরদাবু তরান্না ওকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীদা পাঙথোকখিবা ...মখা লমায় ৬তা...

## এনআরসিগী বেজ ইয়র ১৯৫১ ওইদ্রিবা ফাওবা খোঙজং হন্দোক্লোইঃ জিতেন্দ্র

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর মীয়ামনা তাল্লিবা সেন্সস মপূং ফানা য়ৈথোকপা অমদি এন আর সি অপদেট তৌবগী বেজ ইয়ার ১৯৫১দা ওইহন্দ্রিবা ফাওবা চংশিল্লিবা খোঙজং হনখিরোই। মচেৎ–মকায়গী সেন্সস য়ৈথোক্লি হায়বনা মীয়ামগী অপান্বা নৎতে হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফিয়ার দিলিমিটেসনগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বমনা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৬তা...

## ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী মীফমদা সিএম খেমচান্দ শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিতারামননা চেয়র লৌদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ‘ফাইনান্সিং ইন্দিয়া জর্নি টুৱার্দ ৱিক্সিত ভারত’ কী থৌরমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ শরুক য়াখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী মখাদা পাঙথোকখিবা অৱাংবা ...মখা লমায় ৬তা...

## ইমপ্লোয়িশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলগী লমদা খঙ–হৈবা টেক্নিকেলগী লমদা লৈরকপা মীনা দিরেক্টর ওইহনবিয়ু, এম সি এস ওফিসারনা দিরেক্টর ওইরবদি চাওখৎপা থীনগনি হায়না দিরেক্টোরেট অসিগী ইমপ্লোয়িশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা দিরেক্টোরেট অসিগী ওফিস মমাঙদা রিটেন টেক্নিসিয়ান ...মখা লমায় ৬তা...

## লিকর সোপ লাইসেন্স ১২ খক পার্মিসন পীরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
আর টি আইগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবদা রিক্বায়ার সোপ লাইসেন্স ১২ খক্তমক পার্মিসন পীবতা ঙাইরি, অদুগা মতৌ করন্না লম খুদিংমক্তা মশিং য়াম্লবা লিকর সোপশিং হাংলিবনো হায়না কোলিসন এগেন্স দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী সেক্রেটরি জেনরেল ...মখা লমায় ৬তা...

## পি এল এগা মরী লৈনদে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
চৎলিবা থা অসিগী ১২ হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ৩৩ অসাম রাইফলস অমসুং স্পিসিয়েল কম্মান্দো য়ুনিটকী অপূনবা কাঙবুনা লমদেং খুনৌদগী ফারে হায়না মণিপুর পুলিসকী ফেসবুকতা থাগৎলকখিবা অঙোম জীতেন (৫৫) অপোকপা এ লোকোন ফয়েং মখা লৈকাই ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হায়রিবা মীওই অসি ...মখা লমায় ৬তা...

## সি এমনা সেক্যুরিটি রিভ্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমদি ফোর্সকী লুচিংবা কয়া য়াওনা রিভ্যু তৌখ্রে। মীফম অদুদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম সেক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, চীফ সেক্রেটরি রজিব সিংহ থাকুর অমদি মকোক থোংবা লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

## পি এম দিভাইন স্কিমগী মখাদা প্রোজেক্ট ৭কী ক্রোর ৫৬১ থাদখ্রেঃ দোন্নর মিনিষ্টর

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট দোনর অমসুং এজুকেসন ডাক্তর সুকান্তা মজুমদার অমসুং অন্দ্রো এসিগী এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমারনা শরুক য়াদুনা অন্দ্রো এসিগী শন্থৈ নেচরেল পার্ককী গেষ্ট হাউসতা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৭কী নুমিদাংদা সেৱা সংকল্প অভিয়ান প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ‘আশিবার্দ কা দিয়া’গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরস দিভলপমেন্ট ইনিসিয়েটিব ফোর নোর্থ ইষ্ট রিজন (পি এম দিবাইন)গী মখাদা লুপা ক্রোর ৫৬১ সেঙ্কসন তৌখ্রে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ...মখা লমায় ৬তা...

## ঐচ এ সিগী মীফমদা নাগা অমদি কুকি এম এল এশিং শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী থোক্লকখিবা ইরাংনা মরম ওইরগা মতম শাংনা পুনবা ঙমদনা লাকখিবা নাগা অমদি কুকি এম এল এশিং ওন লাইনগী খুত্থাংদা অমত্তা ওইনা হীল এরিয়া কম্মিটি (ঐচ এ সি)গী মীফমদা শরুক য়াদুনা ত্রাইবেল মীয়ান্না থেংনরিবা অৱা–অনা অমদি দিভলপমেন্টকী মতাংদা ৱা তান্নখ্রে।

হীল এরিয়া কম্মিটিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এম এল এশিং অদুদি হাওখোলেট কিপজেন, ঙাশাংগ্লুর সনাতে, চীলুমথাং, লেজমাং হাওকিপ, লেতপাও হাওকিপ, এল এম খৌতে, পাওলিয়ালাল হাওকিপ, দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখো, দিগাংলুং দাংমৈ, খাসিম ভাসুম, লৈসিও কৈশিং, কুমোসা, জংহেমলুং পানমৈ ...মখা লমায় ৬তা...

## ‘বজেটতা য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী শেনফম য়ামদবনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর য়েংশিনবা ঙমদবনি’



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
ষ্টেটকী বজেটতা য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী হাপ্পিবা শেনফম অসি য়ামদবনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতম চানা মীৎয়েং চঙবা ঙমদবগী মরম অমা ওইরি হায়না য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ডা. ময়েংবম ভেতোনা ফোঙদোরক্লি।

দি আই পি আরনা শীন্দুনা পরিং নাইনা চত্থরকপা মিট দ প্রেসকী শরুক অমা ওইনা ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী ওফিসিয়েলশিংগা পাউমীশিংগা উনদুনা ৱারী শান্নবগী থৌরমদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংদা পাউখুম পীরদুনা দিরেক্টর ভেতোনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা স্পোর্টসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি কুমজা ১৯৯৯ দা ষ্টেট অসিদা পাঙথোকখিবা নেস্নেল গেমস ...মখা লমায় ৬তা...

## চীফ সেক্রেটরিনা সেৱা সঙ্কলপ অভিয়ান হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্লরিবা সেৱা সঙ্কলপ অভিয়ান মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি রাজিভ সিংহ থাকুরনা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সিভিল সেক্রেটরিয়েটতা হৌদোকখ্রে।...মখা লমায় ৬তা...

## ডোক্তর লৈতবদগী মীরোনবী মমা–মচা লৈখিদবনিঃ পুয়া

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
শুগনু সব দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা জুলাই ২২দা পোষ্টিং থাখিবা ডোক্তর ঙসি ফাওবা জোইন্ট তৌদবনা মীরোনবী মমা–মচা অদু শিখিবনি, ডোক্তর লৈরম্লবদি মমা–মচা অদু কল্লম্বা য়াবনি হায়না পিপলস য়ুনাইটেদ য়ুথ এলাইয়েন্স (পুয়া)গী সেক্রেটরি জেনরেল লোংজম অবোথে মৈতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

পুয়াগী চহী অনীগী জুন ২৬ অমদি জুলাই ২০দা শুগনু সব দিভিজন হোস্পিটালগী ফিভম য়েংশিনখ্রবা মতুং ঙসি অমুক হন্না য়েংশিনবা চৎপদা ফোঙদোকখিবনি। ...মখা লমায় ৬তা...

## থবক তৌবদা য়েৎলকপা লাইবক থীবনিঃ মহেশ্বর



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
মহেশ্বর থৌনাওজমগী মীৎয়েং মখাদা রাষ্ট্রিয়া ভয়োশ্রী যোজনা (আর বি ৱাই) অমদি এ দি আই পি স্কিমগী মখাদা কৈশামথোং এ সিগী বেনিফিসরি ১,০০০ হেনবদা ...মখা লমায় ৬তা...



SL/B(KK)/31 (one month)

SBI RSETI Rural Self Employment Training Institutes

TRAINING SCHEDULE

“FOR MONTH OF OCTOBER 2026”

| SL. NO | TRAINING PRPGRAMME | DATE OF TRAINING | DAYS | LAST DATE OF FORM SUBMISSION |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Poultry | 12th Oct to 23rd Oct 2026 | 12 | 10th Oct 2026 |
| 2 | Candle Making | 13th Oct to 24th Oct 2026 | 12 | 10th Oct 2026 |
| 3 | Beauty Parlor | 26th Oct to 30th Nov 2026 | 35 | 23rd Oct 2026 |

Notes: First come, first serve Intake 35 candidates per batch/-
Training location: SBI RSETI, Takyelpat Industrial Estate, Imphal West
Application form is available at SBI-RSETI Office, Takyelpat, Imphal west 795004.

Eligible Candidates:
- 18 yrs to 50 yrs.
- Minimum education qualification: 8th passed.
- Free fooding & T.A applicable.
- He/she can attend only one training.

Required documents:
- 3 Nos. of Passport Size Photos.
- EPIC & Aadhar Card Photo copy.
- BPL Card or Ration Card or Job Card Photo Copy.
- Bank Passbook Photo Copy.
- SHG Bank Passbook.

Minimum Education qualification : 8th Passed/above Photo copy.
Contact/WhatsApp number :
+91 8787476400 / 9678084419
7005633204 / 9774451434
Email: sbirseti.imphalwest@gmail.com

SBI
State Bank of India
Central Recruitment & Promotion Department
Corporate Centre, Mumbai
Phone: 022-22820427
Scan QR to Apply

Engagement of Specialist Cadre Officers on Contract Basis

Applications are invited from eligible Indian citizens for the following posts on Contract basis:

| Sl. NO. | Name of Post | Vacancy | Maximum Age (in years) (As on 31.08.2026) |
|---|---|---|---|
| Advertisement No.: CRPD/SCO/2026-27/20 (Contractual position) | | | |
| 1 | Dean, SBIL Kolkata | 01 | 55 |
| 2 | Faculty, SBIL Kolkata | 01 | 55 |
| 3 | Marketing Executive, SBIL Kolkata | 01 | 40 |
| Advertisement No.: CRPD/SCO/2026-27/22 (Contractual Position) | | | |
| 1 | Deputy Vice President (IT Risk) | 02 | 45 |
| 2 | Asst. Vice President (IT Risk) | 02 | 42 |

For eligibility criteria (age, experience, job profile etc.), vacancy details, requisite fee and other details, log on to Bank's website https://sbi.bank.in/web/careers/current-openings for online submission of application as well as online payment of application fee. Refer detailed advertisement to ensure eligibility and other details before applying and remitting fees. For any query, please write to us through link “CONTACT US” → “Post Your Query” which is available on Bank's official website (https://sbi.bank.in/web/careers/post-your-query)

- DATE FOR FILING ONLINE APPLICATION & PAYMENT OF FEES: FROM 16.09.2026 To 06.10.2026.

Place: Mumbai
Date: 16.09.2026
General Manager (RP & PM)

SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION

ꯀꯧꯔꯣꯜꯐꯝ / INVITATION



Sri Sri Ganesh Puja Celebration Committee, Manipur
Cordially invite you to the inaugural function of
SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION
From 15th - 19th September, 2026
AT
Iboyaima Shumang Leela Shanglen
Palace Compound, Imphal

Day Three
Saturday, 19th September, 2026

Chief Guest
Shri Konthoujam Govindas Singh
Hon'ble Minister Home & YAS

President
Shri Sorokhaibam Rajen Singh
Hon'ble MLA (Former Minister), Lamsang AC

Guest of Honour
Shri Karam Shyam
Hon'ble MLA (Former Minister), Langthabal AC
Dr. Sapam Ranjan Singh
Hon'ble MLA ( FormerMinister), Konthoujam AC
Shri Tongbram Robindro Singh
Hon'ble MLA, Thanga AC
Shri Thongam Shanti Singh
Hon'ble MLA, Moirang AC
Smt. Irengbam Nalini Devi
Hon'ble MLA, Oinam AC

PROGRAMME HIGHLIGHTS
From 3:00 PM onwards
Maha Mangal Aarti
Hanuman Thakur Nupi Pala
Bhajan
By R.K. Satyadita & Arvind Soibam

Raas Leela
By Jawaharlal Nehru
Manipur Dance Academy

Shumang Leela
‘Ningtambei Mahao’
By Sanaleipak Nachom
Artiste Association

# এডিটোরিয়েল

[illegible]



*লাংবনগী ৯ পানবা থাংজ, সেপ্টেম্বর ১৯, ২০২৬*

## [illegible]

[illegible]

[illegible]

# FORCED DISPLACEMENT & MENTAL HEALTH & SUICIDE

## (নমদুনা থমজিনবনা পূক্নিং ৱাখল হোংহল্লকপা অমসুং মশা মতোমতা শিজবা)

মীওইবনা য়ূম অমমম লিংদুনা হিংনরি। য়ূম অমমমগী আশা অমমম লৈজে। য়ুমদুদা হিংজরিবা মীশক অমমমদুগীসু মাগী মাগী ওইবা আশা অমমম লৈজরিবনি। আশা হায়বসিনা নংগীসু ঐগীসু হিংননবগী মরম ওইহল্লিবনি। অচৌবা মীগীসু আশা অপিকপা মীগীসু আশা, আশানা ঐখোয়বু লমথুংফম অদু য়ৌননবা অৱা অনা কাওথোক্তুনা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমহল্লিবনি। আশা অদুনা মাঙখ্রবদা পূন্সিনা কমদৌহৌবা? চারা নামতা চারবসু, মিৎ তাংলবসু খোঙ তেক্রুবসু আশা হায়বদুনবু মাঙদ্রবদি তাইবংপানসিদা অসুম্মক হিংদুনা লৈনিংই অদুগা হিংসু হিংনরি।

মণিপুরনা Displaced Person crisis মায়োক্নরকপাঃ–

ঙসিদি মণিপুরগী প্রজাশিং দিসপ্লেস পার্সন ক্রাইসিস হায়বা ফিভম অমা মায়োক্লুরে। ইং ২০২৩গী মে থাগী তারিখ ৩দগী মণিপুরগী প্রজাশিং আর্ম কনফ্লিক্ট, ভাইওলেন্স, কিল্লিংস, সেক্সুয়েল এজোল্ট অমদি হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেন্সনচিংবা তাহে–উহৈদ্রবা অমদি য়েংহৈদ্রবা থৌদোক ৱাথোক কয়ামরুম মায়োক্লুরক্লি। থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরগা মীওই লিশিং কয়ামরুমসু তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা নমদুনা লৈহল্লক্লি। মতৌ অসিবু ফোর্স দিসপ্লেসমেন্ট হায়না খঙনৈ। লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীওইশিং অসিবুনা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন্স (IDPs) হায়না খঙনরি।

UNHCR (United Nations High Commissioner for Refugee) না মখোয়গী ৱাফোংদোকশিংদা অসুন্না পল্লি মদুদি মালেমগী ওইনা মীওই মিলিয়ন ৮৯.৩ রোম ইং কুমজা ২০২১দা conflicts, violence, killings অমসুং Human Rights Violation না মরম ওইরগা নমদুনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহল্লি (Forcibly displaced Worldwide)। অদুগা ইং ২০২২দদি অসিগুম্বা মীওইশিংগী মশিং অসি মিলিয়ন ১০০ রোম ওইরগনি হায়। ইং ২০১৬তা মিনিট অমা খুদিংগী মীওই ২০ মুক্তি ইনৌ নৌবা ওইনা Forcibly displaced তৌই হায়। মতৌ অদুন্না নমদুনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরবা মীওইশিং অসি মখোয়গী রিসেট্টলমেন্টকী ৱাফম ঙাইরিঙৈদা overcrowded ওইরবা Relief camp শিংদা মতম শাংনা থমজিল্লি। Relief camp শিং অদু Detention Centre অমগুম ওল্লকই। মসিদগী হেল্‌ঠ অমসুং সেফতিগী ওইবা ফিভমদা কা হেন্না নাতে চাদবা ফিভমশিং মায়োক্নুরকই। তোঙান তোঙানবা মেদিকেল চেল্লেঞ্জেস কয়ামরুম য়াওরকপনা মরম ওইদুনা হেল্‌ঠ সার্ভিস য়ুটিলাইজ তৌবগী চাং ৱাংখৎলকই অদুবু মতিক চানা ফংহনবদি ঙমদে। ঈশিং, চাননবা চেং–চাক, ইনশাং নাপীনচিংবা কয়াগী অৱাৎপা মরক্তা থবক শুফম নোম্ফম খঙদবদগী ফাইনান্সিয়েল প্রোব্লেম কয়ামরুম য়াওশিল্লকপা অমদি সোসিও–কলচরেলগী অমদি ধর্ম্ম কর্মগী ওইবা লাইনিং লাইশোনশিংদা শরুক য়াবা ফংলক্তবদগী মখোয় মখোয়গী পূক্নিং ৱাখলদা তুফক তুফাই চনবা, ফুম্বংনবা, শাওনিংবা, পেন্দবা, নিংবা কায়বা অমদি কপনিংবনচিংবা Psychological (Mental) গী ওইবা অহোংবা কয়ামরুম য়াওশিল্লকই। তশেংনা হায়রবদা য়াম্না ৱানা চাক্লা লেনবা হায়বদো ওইহন্দুনা IDPs শিং ক্রাইসিস হায়বদো মায়োক্লদুনা ৱানা রিলিফ কেম্পশিংদা মপূন্সি লেল্লি।

Displaced অমসুং Mental Healthঃ– মীওই খুদিংমক্লা মাগী মাগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ষ্ট্রেস কয়ামরুম লোনদুনা হিংলিবনি। অদুবু IDPs শিং লৈশিল্লক্তুনা মখোয়গী মেন্টেল হেল্‌ঠ অমসুং Pshychological Wellbeing গী ফিভমদা নে–না তাদবা ফিভম কয়ামরুম থেংনরকই। মসিনা মরম ওইদুনা কম্মন ওইবা মেন্টেলগী অনাবশিংগী মথক্তা শাথিবা মখলগী ৱাখল লায়নাশিংসু নাহল্লকপগী চাং হেনগৎহল্লকই। মখোয়গী ইমোসন, দিষ্ট্রেসকী লেবেল অসি কা হেন্না ৱাংখৎলকই। IDPs শিংগী অপুনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোমদি Anxiety, Depression অমসুং Post Traumatic Stress Disorder (PTSD) হায়রিবা মেন্টেল হেল্‌ঠকী অনাবশিং অসি লৈরকই হায়নৈ। Anxiety Disorder না নাবগী চাং অসি ৪–৪০% মুক, Anxiety, Depression অমসুং Depression Disorder না নাবগী চাংনা ৫–৪৪% অমসুং পি টি এস দিনা নাবগী চাংনা ৯–৩৬% মুক ওই হায়রি। অসিগুম্বা ৱাখল লায়নাশিং অসি লৈরকপা অসিনা মীশক অদুগী নোংমগী তৌফম থোকপা মথৌ মঙমশিং নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমহল্লক্তে, তুম্বা চাবা য়াহল্লক্তে, নিংবা কায়হল্লকই অমসুং ক্বালিটি ওফ লাইফ শাথিনা শোকথহল্লকই। মতম্না হৌখিবগা ইরোইননা মীওই খরদগীদি হায়রিবা মেন্টেলগী অনাবশিং অসিগী লায়ওংশিং অদু নেমথখিবা য়াই। অদুম ওইনমক মীওই কয়ামরুম অমগী মফমদগীদি লায়নাশিং অসিগী লায়ওংশিং অসিনা নোংমা নোংমগী হেনজিল্লক্তুনা শাথিনা ৱারবা পূন্সি মহিং হায়বদু ওইহল্লি। অসুন্না ৱানা ৱানা চহী কয়ামরুম লেনবা হায়বদু ওইহনগদৌরিবনি। মরম অসিনা IDPs শিংগীদমক্তদি য়ারিবমখৈ হেক অঙনবা মতমদগী হৌনা মেন্টেল হেল্‌ঠপু Priority থম্বীদুনা মতেং ফংহনবা অমসুং য়াম্না লায়না accessible ওইহনবা হায়রিবশিং অসি শিনবীগদবনি।

রিলিফ কেম্পতা মতম শাংনা লৈরক্লবা IDPs শিংগী মরক্তা করিগীদমক্তা সুদাইদ তৌবগী থৌদোক য়াওনরক্লিবনো?

লাঞ্জেন্নবদগী মাইগ্রেসন তৌরক্লবশিং, লানফা ওইনা ফাদুনা থল্লবা মীওইশিং আর্ম কনফ্লিক্টনা ফোর্স দিসপ্লেস তৌদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা মতম শাংনা লৈরক্লবা মীওইশিংগী মরক্তা সুসাইদ তৌদুনা খাঙুখক্তা মপূন্সি লোমখিবগী থৌদোক ৱাথোকশিং তোঙান তোঙানবা ইতিহাসকী

> – ডা. রোবিন্দ্রো খাঙেম্বম –
> *সেনিয়র সাইক্যাত্রিষ্ট, মণিপুর হেলঠ সার্ভিসেস*

থৌদোকশিংদগী ঐখোয়না তাবা থেংনৈ। ঙসি ঙসিমক্লা মণিপুরগী ইতিহহাসতা থোক্লরে। সুদাইদ তৌরিবা মীওইশিংবু কনাগুম্বশিংনদি য়াম্না পাংদবা, থবক শুরগা পৈশা তানগনি খন্দবা শুনিংদবা মীওইগুম্না হেক হেক পাউথোকপী। পরিক্ষা ফেল ওইরগা, নুংশিনবা কায়নরগা নৎত্রগনা গাড়ী লৈবীয়ু য়াদবদগী সুসাইদ তৌদুনা শিরিবশিং অসিনা কমদৌবা জাৎনো। মখোয়সু পাংদবা অমদি শুনিংদবা মীওইশিং ঙাক্তা ওইগদৌরিবরা?

সুসাইদকা দিপ্রেসন হায়রিবা মেন্টেল হেল্‌ঠকী অনাবা অসিগা লৈনবা মরীঃ–

দিপ্রেসন হায়রিবা মেন্টেল হেল্‌ঠকী অনাবা অসি মীশক অমদা হেক্তা নারকপা য়াই। চহী মতাং অমদা হেক্তা ওইবা য়াই। দিপ্রেসননা নারকপদগী তোঙান তোঙানবা মরমশিং লৈবা য়াই। মখোয়দুগী মরক্তা ষ্ট্রেস ফেক্টর অসিসু অনৌবা মরম অমনি। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরক্লিবা IDPs অসিদনা অমুক্কা হেন্না তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুমগী ষ্ট্রেস লোয়নদুনা হিংলিবনি। ময়ুম লৈতবগী, লৌ ইংখোল কোয়জবা ফংদবগী, লন থুম মৈ থাদোকপীখিবগী, ইমুং মনুং হাৎপীখিবগী, মশাগী অনাবা য়েংবা ফংজদবদগী, রিলিফ কেম্পতা কা হেন্না ওভরক্রাউদেদ ওইবগী, এনভাইরোনমেন্ট মোৎপগী, প্রাইভেসি মেন্টেন তৌবা য়াদবগী, শেল তানবা ঙমদবগী, মচা–মশুগী মহে–মশিং তমহনবা ৱাবগী, চানিংবা–পীজনিংবা কয়াগী অৱাৎপা লৈবগী অমদি চৎনবীগী থৌদোক ৱাথোকশিংদা নোক খেদুনা শরুক য়াজবা ফংদবগী ষ্ট্রেস ময়াম অসিনা মতম কুইনা লাকহত্তুনা লৈরকপা, কৈদৌঙৈ ইয়ুমদা হল্লগা হান্নগী নোর্মেলসি অদুদা অমুক তংদু লৈতানা হিংজবা ফংগদগে হায়বগী অকক্লবা মতম অমা খঙদবগী ষ্ট্রেস অসিগুম্বা ময়াম অসিনা মখোয়দা অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমা, পেন্দবা অমগী মথক্তা পেন্দবা অমা অমসুং নিংবা কায়বা অমগী মথক্তা নিংবা কায়বা অমমুক মথং মথং হাপচিল্লক্তুনা 'অৱাবনা পীক থল্লবা পূন্সি অমা' হায়বদো ওইহল্লি। পূন্নমক অসিনা মরম ওইদুনা দিপ্রেসন হায়রিবা মেন্টেলগী অনাবা অসিনা IDPs শিংদা নাহনবগী চাং ৱাংখৎলকই।

দিপ্রেসন্না নাদুনা লৈরবা মীশক অমবু মতম চানা খঙদোক্তুনা লায়েংবীহৌদ্রবদি মখাগী লায়ওংশিং অসি মথং মথং হাপচিল্লকইঃ–

(১) ৱাখল ৱাদুনতা লৈবা / নুংঙাইবা ঙমদবদগী (Sad or Low mood) মতৌ অসি লিশাং শিংনা লোয়নৈ।

২) করিগুম্বা হিরম অমত্তদা ইন্টরেষ্ট পোকপা ঙমদে। কনামত্তনা মহাকপু হিরম অমদা নোকহনবা অমসুং হরাওহনবা ঙমদে।

৩) হকচাং কা হেন্না চোকথদুনতা লৈ / থবক মচা মশু খজিক্তং তৌবদা ফাওবা শদৌ থোংদুনা পংৱাদা ৱাই, পংচোক্তা চোকথে।

মসি পুন্নমক অসি ব্রেন্দগী থোক্লকপা Happy Hormones/ Neurotransmitters শিং হায়বদি Serotine, Dopamine, Norepinephrine অমসুং Acetylcholine নচিংবশিং অসি মরাং কায়না শুংদোরক্তবা নৎত্রগনা মখোয়গী খোংজেল অমসুং মথৌ মঙম পাং থোকপা ঙমদবদগী চঙহল্লক্লিবনি। মীশক অদুনা পাংদবদগী তৌহল্লকপা নত্তে অদুগা শুনিংদবদগী ওইরকপা নত্তে। অমরোমদা অমুক্কসু Cortisol অমসুং Glucagon হায়না খঙনবা Stress Hormone শিং অসিনসু মতম পুন্নমক্তা থাক ৱাংনা ঈগী খোংজেলদা লেপ্তুনা চেনশিল্লকপা অসিনসু মীশক অদু অশুক্কী মতিক শোম্থহল্লি, Immune system নেমথহল্লি, পুক্নিংদা ফাওবা অপাম্বগী থৌওং অয়াম্বা মাংহল্লকই অমসুং তোঙান তোঙানবা Physical গী ওইবা অনাবা কয়া অমসু মথং মথং লৈহল্লকই। Mental গী অমসুং Physical গী ওইবা অনাবা পুনশিল্লকপা অসিনা হেন্না হেন্না অৱাবা অমুক হাপকৎলকই। তুম্বা য়ারক্তে, চাবা য়ারক্তে, শাওনিংদুনতা লৈবা মীরক তিন্নিংদে, মীনা লাংবগী মখোল তানিংদে, নুংতিগী শুজ–নোমজবা য়ুমগী থবক–থনা শুবা ঙমশিল্লক্তে। হিংবদা মতিক চাদ্রবা মীশক অমগুম খল্লি, কনামতনসু মাবু তেংবাংবিররোই হায়নসু খল্লি অদুগা পাপ চেল্লবা পুন্সিনি হায়নসু নিন্দা তৌজে। অসিগুম্বা নেগেতিভকী নেগেতিভকী ঙাক্তা ঙাইরবা ৱাখলোন অসি Untreated Depressionনা থোকহনবা Depressive Cognition হায়না খঙনৈ। নুংশিনিঙাই ওইবা ৱাফম অমা হায়রগদি Depression না নারবা মীশক অমগী ৱাখলদা Hopelessness হায়বদি আশা পুন্নমক লোয়খ্রে হায়বা ৱাখল্লোন অসিনি। আশানা মাংখ্রবদা করম্বা পুন্সিনা কনাগীদমক করিগীদমক হিংখিগদৌরিবনো? শিখিবা হায়বসিনা পুন্নমক্কী য়াইফহৌরগনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিমক্তমক লোয়নদুনা মতম পুন্নমক্তা লেল্লি। Hope মাংনা মাংনা হিংজনিংবদি অদুমক পোক্তবা নত্তে। মরম অসিনা হিংবা ঙন্ননবা উপায় কন্না থীজরম্মী। অদুবু ঐখোয় কনানসু মাবু মশক খঙবীখিদে, মাগী ৱাখল্লোন অদু নিংথিনা খঙবীরগা Hopeful ওইননবা থবক অমত্তা লৌখৎপীখিদে। অহোয়নদুম পাংদবনি, নরিল য়াওদবনি অমসুং অতনবা মীনি হায়বিখি, নৈবিখি, নোক্লবীখি, ইম্থোক্তুনা থম্বীখি অমসুং মীনুংশিগা লোয়ননা মাবু তেংবাংবীখিদে। মমৈদদি হিংজগে হায়না থিজরম্বা উপায়শিং ফংবা ঙমখিদবনা সংসারসিদগী লাপ্না চৎখ্রগে হায়বা ৱাখল অসিনা পুদুনা Suicide হায়বদু তৌখি। মমল য়াম্লবা থৱাই অমা পুন্সি অমা খাঙুথক্তা মাংখি। অৱা মৈচাক্লা থল্লবা Tragedy অমা ওইখি। নোক্লবীবগী মহুত্তা তেংবাংবীরমগদবনি। অসুন্না হায়নৈ, "Suicide is a disease of Hope, a cry for Help and an act of Despair." অমুকসু হায়নৈ "Suicide is 100% preventable." মরমদি Suicide হায়বসি অয়াম্বদি Untreated Depression হায়রিবা Mental Health কী অনাবা অসিনা থোকহনবনি। Depression is treatable। শন্না হায়রবদি Relief Camp শিংদা Force Displacement ওইনা Stress কয়ামরুন্না য়োমদুনা হিংলিবা মীওইশিংগীদমক্তদি Mental Health পু Priority লৌবীদুনা মতম চানা চানা Mental Health Promotion, Prevention, Treatment অমসুং Management গী থৌরাংশিং মরাং কায়না লৌখৎপীগদবনি। Stress কা মরি লৈননা ওইহল্লকপা লায়নাশিং মশক খঙদোক্তুনা লায়েংবীহৌবনা খ্বাই পুন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি অমসুং Suicide তগী থিংবা ঙমগনি।

Suicide is 100% Preventable: treat depression.

# অহল ওইরক্লগা লাইনিং লম্বী থিরকপা

*– লৈবাকমচা খুমন*

মীওইবগী পূন্সি খোঙচৎতা পোকপা শিবা নায়, পোক্লবদি শিগনি, শিরবদি পোক্কনি। নুংঙাইরবা তাইবঙপান অসিদা তাইবঙমচাশিংগী মরক্তা অমগা অমগা য়েংথিনরকপা, হাৎতোক্লরকপা, অকনবনা অশোনববু তুহৎপীরকপা, ইংবা তপ্পা, থকশি–খাশি লৈরক্তবা, লমচৎ–শাজৎ মাঙনরকপা, অরৈবশিংনা মরল মথুম লেপশিল্লকপা, লৈতবা লায়রবু মী ওইনা উরক্তবা অমগুম্বা পূক্নিংগী ফৎত্রবা ৱাখল্লোন ময়াম অসিনা পূন্সি খোঙচৎসিদা তেমশিংনরকপনা মীওই মপোকপু অৱাবগী ইপাক্তা তাহল্লী। নোংমদি শোয়দনা শেন্বীবা মপু মাগী খুয়াদা তিনখিনি কাওথোক্লে। মীওইবা ঐখোয়না তাইবঙপান হেক খোঙদারকপদগী শিবা ফাওবগী পূন্সি খোঙচৎসিদা তাঙ্কক কয়া থোক্লা নৈনবা খঙদোকপা য়াই।

চহী ০দগী ২০ ফাওবগী পূন্সি খোঙচৎসিদা অফবা–ফত্তবা, অনিংবা–অপাম্বা, মনিং তম্বা অহনবা–অয়াংবা গাড়ি ইঞ্জিনগুম্বা মীওইবগী পূন্সি খোঙচৎ মতাংনি। মতমসিদা মমা–মপা, অহল–লমনশিংনা মচা–মশুশিংগীদমক য়াম্না নুংশিবা, মনিং তম্না অপাম্বা লম্বীদা চৎপা মতেং ফংজবা মতমনি। অদুগা চহী ২০দগী ৩০ ফাওবগী ইনখৎলকপা মতমগী মী লাই কিদবা, মহে–মশিংগী লম্বীদা মপুং ফারকপা, য়ূম পানবগী য়ুম্বান লম্বী য়ৌশিল্লকপা, পূন্সিগী খোঙলোয় থীমিন্নরকপা, শিনি–নানি খঙদবা মতমনি। মীওইবনা চহী ৩০দগী ৪০ ফাওবগী পূন্সি খোঙচৎসিদা মশাগী মরল মথুম ময়াম অমা লেপশিল্লি। শিরগা পুদুনা চৎপা য়াবগুম মীওইবগী ৱাখলদা অরেপ্পা লৈতনা মাগীতা ওইনা খল্লি। মতাংসিদি মীওইপোক্লা মরম মথুম তানশিনবগী অয়ৌবী খোঙচৎনি। তাঙ্কক অসিদা নুংঙাইহৌদ্রবা ইনাকখুনবা মরল মথুম লৈবা ওইহৌদ্রবা অমুক হন্না নুংঙাইবা ওইররোই।

চহী ৪০দগী ৫০ ফাওবগী পূন্সি খোঙচৎসিদা নুংঙাইবগী মতোন লোমদুনা অশিংবা শাদুনা মীয়াম মীরক তিনবদা মীওইবগী লৌশিং মৈরা মঙাল থোক্লা মরেক মহাও থোকপা, নুংঙাইবা, মীওইবগী নুংঙাইবা পূন্সি খোঙচৎনি। ৱাখলগী ইথক ইপোম হৌরকই, অশিংবনি খল্লকই। মতাংসিদা শিংদ্রবা মীদু পূন্সিগী শিংলরোই। মীরক তীদনা অদুম পংলদবনি। চহী ৫০দগী ৬০ ফাওবগী পূন্সি খোঙচৎশিদা হিংবগী নুংঙাইবা মরেক মহাও থোকপা পূন্সি ওইরগা অমুক হেন্না হিংবদা নাপল তৌজে। চহী ৬০গী মথক্তি পূক্নিং নুংশিবা মতমনি, নুমিৎনা ময়ূম চঙলমদাই, অরোয়বা পুংজা লাক্লমদাই নুংশিরবা থৱায় য়াইবিরেলনা মাগী নুং শিজরবা হকচাং পোলাং, মচা–মশু, মরুপ–মপাং, মরি–মতা ঙম্নমক থাদোক্তুনা চৎখিনিকো খল্লকই। লাইনিং লম্বী থিরকপদদি নহানমখৈ কল্লম্বা পাঙ্গল, থৌরম্বা লৌশিং, লেপশিঞ্জরম্বা লন–পুন্নমক করিবু কান্নবনো শিবদা পুবসু য়ারোইদবা, ঐগীনি হায়বসু য়ারোইদবা, ইতোমতা লাকপা ইতোমতা হনখিনি, মওল মওল খল্লকপা নিংবা কায়বগী লাইনিং লম্বীগী পাউজেল পূদুনা পূন্সি খোঙচৎতা অহোংবা কয়াগী নিংবা কায়বগী মতম ওইরকই। মতমদুদা হকচাংনা অমনবা গাড়ি গী ইঞ্জিনগুম অমনবা য়ূমগুম চাবা থকপা য়ারক্তবা, উবগী পাঙ্গল ৱাৎলবা, হকচাংনা খুইজিল্লক্লবা মতমসিদা মীৎনা অনোক্কী মতেং লৌরকপা, চৈশুগী মতেংনা চৎলিবা ঐগীনি হায়বা কনাবু লৈরিগদগে মওল–মওল খল্লকই। তাংলৌ লৈনা থেংবদা অয়ো নহে ফংলবা তম্বা য়াদ্রবা হকচাং পোলাংনা খাদা অমুক চেপ, অৱাংবদা অমুক চেপ, মচা–মমৌনা মমা–মপাদুগী অৱা মৈচাক পুবিগদরা? ওইথোক্তবনি, মতোমতা অহল ওইবগী অৱাবা ময়াম মতোমতা খাঙজে। মী ওইনা পোক্লুরবনিনা শেন্বীবা মপু লৈরি কাওবিগনু, মপু মাবু নীংশিংজদুনা হৈরাং অমা লৈরাং অমা কৎচবা, কল্লকপা মীহৌবা, অপাম্বা, লৈরক্ত্রবা পূন্সি খোঙচৎ লম্বীসিদা ধর্মগী চৈশু পায়দুনা শেন্বীবা মপুবু কাওদবদি ফৈ। পূন্সি খোঙচৎশিদা ধর্মগা নকশিন্নবা ওইজবা থাদোক্তুনা মপুগী মিংখৈ শক শোঞ্জবা মীওপোক্কী পূন্সিদা ইংনা চীক্লা মপুগী লম্বী অরান খুভম ফঙগনি, পামজবা ধর্ম চৎচবা য়াই, মপুদি অমত্তনি, ফিজেৎ হোংবা খক্তনি, মীগী মাঙনবা তৌরগা ঈশ্বর নীংদুনা কৈদৌরুনি। অচুম্বা তৌগে খন্দ্রবা অচুম্বা ঙাংবগী হৈনবী লৈত্রবা, শেল য়াওদনা হিংবা ৱারে খন্নরবা, শেনদান লম্বীগী মীকানবদা অমনা অমবু হাৎতোক্লরবা মতমসিগী চৎনবী ওইরগা মীচং খোম্নরবা, অকনবনা অশোনববু তুহৎনরবা, লাইনিংগী মীচং খোম্নরবা, অরৈবনা লৈতবগী খনবিদ্রবা, লাইয়রবা লৈতবনা লাইনিং লম্বীদগী লাপথোরকপা, হিংনবগী লানফমদা পুকচাক্কী খুৎশুমল তাল্লিবা লাইনিং লম্বীদগী নাথৈখ্রবা পূন্সি খোঙচৎশিদা ৱারৌজরকই।

লাই কদায়দা লৈবগে? মশক য়েংনিংলকই, লাইরবা ঐঙোন্দা লাই মাদি চঙবিদে, অরৈবা ইনাক খুনবশিংদদি লাই মানা চঙবী। খল্লকই, লাই মাসু মীচঙ মীখায় নায়, মথংগী মপোক হায়বা লৈতে, ইচা–ইশুশিংগী জেনরেসনদি লৈ, থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদু ঈশ্বর লৈত্রে, অচুম্বা নুংশিবা, ঙাকপিবা, শেন্বিববু ঙন্নবা ঈশ্বরদি লেঙদনা লৈগনি, মীগী মাঙনবা খক তৌরুনু, ইশাদা হঞ্জিলক্কনি। তাইবঙ মীওইবনা কল্লিঙৈ মতমদা অশেংবা অচম্বা, অফবা মীয়ামগীদমক করিগুম্বা খরা তৌরম্বা তায়। মপু হায়বসি করিসু নত্তে, নঙগী থৱায় অদুনি, নঙগী থৱায় য়াইবিরেল অদুনা নঙ নঙনা তৌজরিবা থবক্কী মহে লোয়না উই। লোয়না খঙই, হায়বদি নঙনা মীনল্লিবা ওইদবা ঙাংলিবা পূন্নকক্তা হায়বদি অরানবশিংদো থৱায় মাতনা খঙই, অসুম্না বাইবলগী খঙদে, অল্লাহগী খঙদে, শিদবা মপুগী খঙদে, লাইনিং পূন্নমক্লা হায়রিবদি অচুম্বা ঙাংউ, অচুম্বা থবক তৌ, থৱায় পানববু ওৎকনু, থৱায় পানববু নুংশিয়ু, নুংশিবা মীৎয়েং য়েংবীয়ু, পুকচেল শেংনা কথোকপা তম্বীয়ু। মীওইনা পোক্লগদি মীয়ামগীদমক করিগুম্বা খরদি শিদ্রিঙৈ তৌরম্মু, নুংশিবা কথোকপা তম্মু হায়বনি। অসুম্না তাইবঙপানসিদা নুংঙাইনা অফবা লম্বীদা চত্তুনা মীওইপোক্কী পূন্সি খোঙচৎতা নুংঙাইনা হিংলম্নগা পূন্সিগী অরোয়বা মতমদদি শেন্বীবা মপু মাবু নীংশিংলকই, মতমদুদদি লাইনিং লম্বীগী চৎকদবা লম্বীদু অমাইবনা লম্বী তাকপা হৌরকই, পোক্লবদি শিগনি, শিংবদি মথৌ মঙম পাঙথোক্কনি, ধর্মগী চৎনবীদা লাইগী মীংদা শেল কা হেন্না চঙহনবগী মওং তৌফম থোক্তে, হাপফম কৎফম থোক্তবা পোৎলম চৈরম কয়া ধমগী মীংদা চৎনবী ওইনা চৎন্দুনা লাক্লি। শেল চঙহনদনা ঈশ্বরবু পূক্নিং চঙনা ঙমজবা হৈরাং লৈরাং খরদং মীৎকী পীগা লোয়ননা ঙমজবা খরা থম্মোয় শেংনা কৎপীয়ু। চৎনবীদা শেল হেন্না চঙহন্দুনা লায়ররবা তানবা ফত্তে, শম্না মী অমা শিবদা য়েংবীয়ু, লৈখিদবগী মিংদা পোৎলম–চৈরম অহেনবা হাপনরকপা, হকচাং তুমদ্রিঙৈদগী পুঙ–ঈশৈ য়োমশিন্দুনা শেল থানরকপা, পোইলোইফমদা য়ূ হৈথরকপা, ঈশৈমক্তদা ভাবোকশিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন শেল থারকপা, অমদি কর্ম লমজেল তান্নরক্তুনা অরেম্বদা মতম, শেল মাঙহনবা মৈতৈনা খ্বাইদগী মকোক ওইরি।

অমরোমদা মীওইবনা হিংন্নবগী পূন্সিদা নুংঙাইনবগীদমক থবক কয়া শুদুনা পূন্সি লেন্নে, নীংশিংবা য়াই, মীওইবা খুন্নাইগী মপা হায়রগা খঙনরিবা মহাত্মা গান্ধীনা হায়রম্মী, চান্নবা হিংবা নত্তে, হিংনবা চাবনি, মী ওইনা পোক্লগদি তাইবঙ চেংজেল লোয়দ্রিঙৈ পূন্সি খোঙচৎসিদা করিগুম্বা খরা মীয়ামগী খল্লম্মু। মী অমা ওইনা লাইনিং লিচৎ খঙবা, থকসি–খাসি ৱাঙাং শঙাং, থৌগলোন ফজবা মথৌ তায়। থোয়দোক্লা শক্কা মরী লৈনদে, লমচৎ শাজৎ ফজদ্রবা তম্বীবা মীনুংশি লৈত্রবা মী অদুদি লেপকং কংলবা উপালগুম্বনি, সমাজসিদা হায়জ নিংবা অমসু লোৎলি, কেকু ফোংলগে মতৈ মনাও খরা শাওনবদা শেল খরাগী উকিলশিংনা কেস তৌশিনবা ফত্তে। ৱারী হান্না শাবিয়ু, ইমুং মনুং খরা মহি লাংবদা অতোপ্পা মী নত্রগা শাগৈ য়াওশিনগনু, নাকল নাকল তোঙশিন্দুনা মতৈ মনাওগী কেস অমা কোর্টতবু লাকখ্রবদি অমুক হঞ্জিবা ৱাই, অরানবা খোঙফমদা মীনুংশিগী জাগা লৈতবনি। অফবা সমাজ অমা শেমশি হায়রবদি অফবা ইমুং–মনুং, মতৈ–মনাও, মচা–মশুশিং চউবনি। ময়ূম মকৈ ফজবা শাদুনা মরম মথুম ফজবা লৈদুনসু। মহে মহে হায়দুনসু লমচৎ শাজৎ ফজদ্রবা মী অদুদি করিসু চন্নরোই। পুন্নমক অরেম্বনি, লমচৎ য়াওদ্রবা মীনা শৌগ্রি য়ুংবা খুন্নাই অদুদি লৈবাক ৱাথোক ৱাকায়, ৱাচোপ, ৱারেম্না নিল্লি, মচন–মচে মশক খঙদবা শা–ঙাগী শাজৎ লিচৎ চৎপা মীগী মশিং য়ামখৎল্লক্লে। মসিমক্লা ঙসিগী খুন্নাইদা তাহৈদবা, য়েংহৈদবা, শা–ঙাগী শাজৎ লিচৎকী ঈ–পাউ কয়া পাউচে, ফেসবুকশিংদা ইতৎ তত্তনা তানরক্লিবা অসি লমচৎ শাজৎ ফত্তবগী খুদমনি।

লৈবাক অমা ফজহনবা, শান্তি, চাউখৎপা হায়বসি মী মশাদগী হৌরগা ইমুং, সমাজ, ষ্টেটশিংদগী শেমগৎতুনা শান্তি লৈবা লৈবাক অমা শেম্বনি। মীওইবগী কল্লকপা, মিহৌবা, নীংবা কায়বা ৱাখল, করাম চাউবা, অতোপ্পশিংদা নুংঙাইহন্দনবা হোৎনবা অমদি অকিবা পূন্নমক থাদোক্তুনা পুক্নিংদো তরু তহেন্না থম্লে। অদুগা লোয়ননা ফত্তবদা হৈনরুবা পুম্বসু থাদোকপীরো অদু ওইরবদি পূন্সি খোঙচৎতা লাইনিং লম্বী থিবগী অনৌবা মঙাল অমা শোয়দনা ফংবা ঙমগনি।

# লুচিংবগী ৱাহম্থোক খঙমিন্নসি

## ৱারক্তবা মীনা অৱাবা মশক খঙদে হায়বদুদি তাহল্লোইসি

ঈমরিবু লুন্না লৌরল্লবা, নুংশিবা ফাওনরল্লগদি অমদি ইকায়খুন্নবা থন্নরল্লবদি ফুরুপ মশেলগী মরক্তা লান থোক্লল্লোই। হেন্না নুংশিজরুবা অমদি হেন্না থাজরুবা খক্তনা চৈনা ফংই হায়বদু য়াম্না চুম্লমখ্রে। পুকচেল শেংবা অমদি চুম্না চৎপা পাম্বা মীদি ঙসিগী তাইবঙ অসিদা অপঙবনি খন্নরকপা লাইবক থিবনি। মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা কাংলুপ অসিসু অঙকপনি। থৱায় পানবা জিবশিংগী মনুংদা ৱাখল খনবা ঙম্বা খ্বাইদগী শিংবা কাংলুপ অমনি হায়না লৌনরবসু করিগুম্বা মতমদা শাদগী হেন্না ৱাখল য়াওদবা অমদি শানা ফাওবা তৌদবা তমথিবা থবক পাঙথোক্লরকপসু য়াওদবা নত্তে। করিসু খঙজদ্রিবা পিক্লিবা অঙাং ফাওবদা হেন্না নুংশিনা লুনবু তৌরুরবদি মহাকপু নুংশিজরিবা অমদি লুনা তৌরিবা মীওই অদুবু মীরাইবা অমদি হায়বা ইল্লক্তবগী থৌওং মহৌশানি। মসি নেচরনা পিবা ফজবা পারা অমদি শোয়দনা ওইরমগনি খল্লি। অদুবু পারা অসি মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংনদি হৌজিকসু মপুং ফানা তম্বা ঙমদ্রি হায়না লৌবা য়াই। অফাওবা সাইকোলোজিষ্টশিংনা হায়নবা লৈ তাইবঙপানবা অসিদা অফবা লৈতে অমদি ফত্তবসু লৈতে। শুপ্পগী অফবা, নুংঙাই–য়াইফবা অদুবুনা অফবনি অদুগা পামদবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অদুনা ফত্তবনি হায়না লৌনবনি। ৱাখল্লোল অসি য়াম্না ফজরবসু অমদি অৱাংবা থাক্কি ফিলোজোফি ওইরবসু খুন্নাই অমা লিংবদা অমদি লৈবাক অমা ঙাকপদা চৎন–কাঙলোন লো এন্দ ওর্দর মপুং ফানা অমদি মতিক চানা থমদবা শুকয়ামক য়ারোই। মী য়াম্বগী মতুংইন্না ৱাখল্লোল খেন্নরক্কনি, অফ–ফত্তবা থবক কয়া তৌনরক্কনি। মদুনা খুন্নাইগী লৈরিবা শক্লোনদা চাউনা অকায়বা পিরক্তুনা নুংগী সিভিলাইজেসনগী মতম অদুগা করিসু খেন্নবা লৈররোই। ৱারক্তবা মীনা অৱাবা মশক খঙদে হায়বদুনি। মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি ৱাখল্লোল মান্নরক্তবদগী থোক্লকপনি হায়বসিমদি লাল্লরোই।

ৱাখল্লোল মান্নবা ঙাক্তা লৈবা লৈবাক মালেমদা লৈবাক অমত্তা লৈরল্লোই। অদুবু লৈবাক অদুদা ৱাখল্লোল মান্নদবা মীওই কয়া পুন্না লৈমিন্নবা ঙল্লিবা অসি চৎন–কাঙলোন হায়বদি লো এন্দ ওর্দর মতিক চানা লৈবা অদুনা ঙমহল্লিবনি হায়বসি ককপা য়াররোইদৌবা ৱাফমনি। তশেংনা হায়রবদা লো এন্দ ওর্দর মতিক চানা লৈরক্তবা অমদি লৈরিবা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লা চৎনরক্তবদগী মণিপুরদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক–ৱাথোকশিং অসি থোক্লকপনি। চৎনরিবা লো এন্দ ওর্দর কনানা শেম্মি, কনানা চলাইবনো, কনানা মদু ঙাক্লা চৎকদৌরিবনো হায়বসি ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই। লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লা চৎনরক্তবা মতমদা চৈরাক কনানা পিফম থোকই। পূন্নমক মতম চানা তৌহৌদবনা মণিপুর শিনবা থুংনা মৈ হৌনা চাক্লকখিবনি। ষ্টেট অমগী মনুংচন্না লৈবা লমশিংদা ফুরুপ কাঙলুপ খরনা খুন্দাহনবা য়াবা অমদি কাঙলুপ ফুরুপ খরনা খুন্দাহন্দবা য়াদবা লম অসিবু মালেমদা করম্না লৈবাক অমদি করম্না ষ্টেটপু লৈরমগদগে। নুংশিবা, লুনা তৌবা, য়ান–য়ানবা চৎপা অমদি থেম্বা খক্তনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কনবা ঙল্লোই। ঈ মরিগী নুংশিবা অদুনা পুনবা ঙল্লল্লবদি অমদি ঈ মরিগী লৈনরিবা মরি অদুবু ইকায়খুন্নবা ফাওরল্লগদি ঙসি মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসি ওইরমখিগদ্রা? পূন্নমক অসি কনাগী মরালনো? পূন্নমক্কী লংজবা খরদি য়াওরমগনি। অদুবু পূন্নমক অসিগী তেকচাক্তি লৈঙাক ৱায়েল পায়রিবা অমদি লৈঙাক চুক্লি পায়রিবা লুচিংবশিংনা ওইফম থোকই। লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংবু নুংশিসি, নুংশি চান্নরা লোইননবা হোৎনসি অদুবু নুংশিবনা য়ারক্ত্রবদি লো লৈ হায়বা খঙহনবা মথৌ তাই। ইন্টেন্সন ফবা খক্তনা য়ারোই থবক ওইনা তৌরগা উৎপা মথৌ তাই। হিংনা–হিংনা অশিবগা পাম্ভাক ওইনা লৈগদৌবগী শরুক ইজৎ লৈনা শিখিবনা ফৈ। লৈহৌরিবশিংগীসু খল্লম্বা চুমগনি। লুচিংবগী ৱাহম্থোক খঙমিন্নসি, ইমা লৈবাক্কিদমক্তা থৱায় কৎথোকসি। য়াদে হায়বসু খঙহনসি নৎত্রবদি ঐখোয়বু উশিৎপিগদবা কনা লৈরোই। হৌজিকসু উশিৎপিবা নত্তে। মণিপুর কনবা হায়বসি লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমক্কি থৌদাংনি খঙমিন্নসি।

# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা চিয়ার লৌদুনা নুমিৎ নীনি চুপ্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোক্কদৌরি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সি):
লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চিয়ার লৌদুনা নুমিৎ নীনি চুপ্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংগী ওইবা অৰাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা হিরম কয়া খন্নগদৌরি।

ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মীফম অসি থা অসিগী ২৩ অমদি ২৪দা পাঙথোক্লবা য়াই। মীফম অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা পোলিসি প্রোগ্রাম অমদি স্কিমশিং লৈবাক মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহল্লিব্রা হায়বা অদুগী মতুংদা কুপ্না খন্নগনি, ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়াগদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অকনবা ইনস্ট্রকসন পীখ্রে হায়রি।

মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা মখোয়না পায়রিবা দিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউদম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা তমদুনা খঙহনগদৌরি। অসিদা নৎতনা তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রিশিংগী মরক্তা অমগা অমগা কোওর্দিনেসন লৈনা থবক তৌদুনা অহেনবা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া অকক্লবা মতমগী মনুংদা পায়খৎতুনা লৈবাক মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহনগদগে হায়বগী মতাংদসু কুপ্না খন্নগনি হায়রি।

অমরোমদা লাক্কদৌরিবা ২০২৭দা তোঙান তোঙানবা স্টেটশিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্বলি ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা য়ান্না চাওনা মায় পাক্লনবগী পান্দমদা হৌজিক লৈরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং নৌনা রিসফল তৌরবা য়াই হায়নসু রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

এ এ পি থাদোক্তুনা বি জে পিদা নৌনা জোইন্ট তৌখ্রবা রাজ্য সভাগী এম পি রাঘব চাধাদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী ফম অমা থিন্দোক্লবা য়ানা লৈরে। অদুবু হিরম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদি ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোকপদি লৈত্রি।

# ‘য়ু এসকী থৌরাং অসিনা ইন্দিয়াগা লৈনরিবা মরীদা অকায়বা থোক্লকপা য়াই’

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সি):
রসিয়াদগী থাও লৈদুনা শিজিন্নবগীদমক ইন্দিয়াগী মথক্তা অহেনবা টারিফ থন্নবা য়ু এস লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি য়াবা ঙল্লোই। মীওই ১.৪ বিল্লিয়ন হেন্না লৈরিবা লৈবাক মীয়ামগী ইনর্জি সেক্যুরিটিগীদমক রসিয়াদগী ইন্দিয়ানা থাও লৈদুনা শিজিন্নবনি হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারসগী মায়কৈদগী য়ু এসকী মথক্তা অকনবা ৰাফম ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াদগী থাও লৈদুনা শিজিন্নরিবা ইন্দিয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মথক্তা য়ু এস লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চাদা ১০০গী টারিফ থন্নবগী মতাংদা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টিটিবতা খন্নখিবা অদুগী মতুং মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারসনা য়ু এস লৈঙাক্কী মথক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী মায়কৈদগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী মথৌতাবা ইনর্জি সেক্যুরিটি অসি মতিকচানা ফংহনবা হায়বা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী তঙাইফদ্রবা থৌদাং অমনি।

মালেমগী হোংলক্লিবা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা কৈথেলদা য়ূমফম ওইরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতমগী মতুং ইন্না মথৌতাবা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎতুনা মীয়ামগী মথৌতাবা ইনর্জি সেক্যুরিটি ফংহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনগনি।

য়ু এস লৈঙাক্লা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া অমদি য়ু এসকী মরক্তা লৈরিবা মরী অসিদা অকায়বা পীরকপদা নৎতনা মালেমগী ওইনা লৈরিবা ইনর্জিগা মরী লৈনবা কৈথেলশিংদসু য়ান্না চাওনা অহোংবা লাক্কনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটনেল এফিয়ার্সকী মায়কৈদগী চেকশিনৰা থন্নলক্লি।

# চহী ১৭তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ইজৎ মাঙহল্লবা মতুং হাৎপদা চেন্নবা মীওই ২ ফাখ্রে

সত্রা, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সি): ঝরখান্দগী সত্রা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু ফাদুনা ইজৎ মাঙহল্লবা মতুং তমথিনা হাৎতোকপীখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই ২ ফাখ্রে।

ঝরখন্দ পুলিসকী মতুং ইন্না চৎলিবা থা অসিগী ১৪দা কুন্দু পুলিস ষ্টেসনগী কোনবা মফম অমদা পাঙথোকপা টিস ফেষ্টিবেলগী লাউট ম্যুজিক শিজিন্নদুনা ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়ানা জগোয় শাদুনা নিল খোঙবা চরাংনবগী খুদোঙচাবা লৌদুনা মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবী নুপীমচা অদু ফাদুনা তিতারতেন এরিয়াদা পুদুনা ইজৎ মাঙহল্লবা মতুং নুপী অদুগী চুনিনা মথৌরি লাকহৎতুনা হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

সেপ্টেম্বর ১৫দা মফম খঙদনা মাঙখিবী নুপীমচা অদু থৰাই য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং ওইনা ফংলবা মতুং মরীলৈনবা পুলিস ষ্টেসনগা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা মশাগী চহী ১৯ অমদি ২২দা ঙাইরিবা ইনখৎলক্লিবা নহা ২ থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফাগৎপা ঙম্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঝরখন্দ পুলিস হেদক্বার্টরদা দি এস পি ওইনা থবক পুলিস ওফিসার দি এস পি সুনিল কুমার সিংহনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা থৌদোক অসিগী মতাংদা ফারবা মীওই ২ অদু ইন্টোগেসন চথবদা লৈখিদ্রবী নুপী মচা অদু ইজৎ মাঙহন্দুনা হাৎপগী মীহাৎ অদু মখোয়না চথখিবনি হায়না কনফেষ্ট তৌরকপা লৈরে।

চেন্নরিবা মীওই নহা অনি অদুনা ফোঙদোরকপা ৰাফমদা য়ূমফম ওইরগা পুলিসনা থিবা হুন্থগী থবক চথবদা লৈখিদ্রবী নুপী মচা অদুগী অঙাংবা মচুগী টোর্চ, পিন অমদি শেগাইরবা ফি মতৎ কয়াসু থৌদোক থোকফমদগী ফংবা ঙম্লে। মখোয় অনিবু বি এন এস অমদি পোক্সো এক্টকী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা মখা তাবা লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# পাৎশোইদা ৰাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
৩৩ এ আর অমদি সি দি ও ইম্ফাল ৰেষ্টনা ফাখিবা পাৎশোই পার্ট ৩ মমাঙ লৈকাইদগী কে ঐচ ইনাও এলাইজ ইবোয়াইমা মীচমনি। মাগী মথক্তা শীরিবা মরাল য়াদিংদে হায়না পোৎশোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব অমদি পোৎশাৎ পার্ট ৩ অপুনবা মৈরা পায়বী লুপনা ৰাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

পোৎশোই পার্ট ৩ কম্যুনিটি হোলদা চথখিবা ৰাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবা পোৎশোই পার্ট ৩ অপুনবা মৈরা পায়বী লুপকী মেম্বর এস ঐচ সোনিয়ানা হায়, বাবু দুকান হায়না খঙনবা উনিংখোঙ বজারদা টায়র ৰাক্সোপ হাঙদুনা ইমুং মনুং পুরিবা ইনাওবু লোনা থীংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক প্রোগী কেদরনি হায়না মরাল শীরকপা য়ানিংদে। মহাক্কী মথক্তা পাল্লিবা এক্টশিং অসি হন্দাক্তুনা অথুবা মতমদা তেক্তা কাইদনা থাদোকপীরকউ। লোয়ননা লালহৌলুপ প্রিপাক প্রোগী মায়কৈদগীসু ইনাও অসি লুপ অসিগী কেদর নত্তে হায়বা অদু শেংদোকপীরকউ হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# ইমপ্লোয়িশিংনা খোঙজং ...

*লমায় ৩গী মখা...*
দিরেক্টর ওফ হেন্দলুমএন্দ টেক্সটাইল হায়না থাবা প্লেকার্দশিং পায়দুনা ৰাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্লা থবক ওইনা ওন্থোরক্তবা তারবদি মখা তানা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনবা য়াওনা তোঙান–তোঙানবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়না হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল, ককচিংগী সোইবম হেরামনিনা ফোঙদোরক্লি।

সোইবম হেরামনিনা মখা তানা হাই, হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলস অসি টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজসগা পূন্না লৈরিঙৈদা আই এ এস কেন্দরশিংনা দাইরেক্টর ওইবনা হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলস চাওখৎপা, থিন্থবা অমসুং নুংঙাইতবা কয়া লৈবা মরন্না হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলগী দাইরেক্টর অসি টেক্নিকেলগী কেদর অমনা ওইগদবনি হায়বরোমদা কুমজা ২০১৬তগী তোখায় তারকপদগী টেক্নিকেলশিংনা দাইরেক্টর ওইদুনা লাকপনি। অদুবু হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলগী লমদা খঙ হৈরবা টেক্নিকেল অমনা দাইরেক্টর ওইহনবগী মহুৎতা, মণিপুর লৈঙাক্কী ওদরনি হায়দুনা এম সি এস কেদর অমনা দাইরেক্টর ওইগদবনি হায়না ট্রান্সফর থারকপা অসি দিপার্টমেন্ট অসি চাওখৎপা, থিন্থগনি মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অমুক হন্না খন্নরগা লৌথোকপীয়ু। লোয়ননা মণিপুর লৈঙাকনা এম সি এস কেদরশিং লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ইমপ্লোয়ীশিং থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিনবা য়াওনা মখল মখা কয়াগীখোঙজং চংশিল্লক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ‘বজেটতা য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ ...

*লমায় ৩গী মখা...*
মতমদগী ইহোং হোংদবনা মতমগা চানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শান্নরোইশিংদা ফংহনবা ঙমদবগী মমি তারি। মসিদা ষ্টেটকী বজেটতা লম অসিগীদমক্তা হাপ্লিবা শেনফম অসি য়ামদবনা মতমগা চানবা মওংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা ঙমদবগী মরম অমসু ওইরি। অদুবু, ষ্টেট বজেটতা হাপ্লিবা শেনফম অসিনা মতম মতমগী ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না অপগ্রেদ তৌবা অমদি মেনশিনবা য়াবশিং মেনশিন্দুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা সেন্টরগী তোঙান তোঙানবা ফন্দশিং লৌথদুনা শান্নরোইশিংগীদমক্তা মতমগা চুনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না অপগ্রেদ তৌনবা হোৎনবা লেপত্রি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী লম হেন্না খুমাঙ চাউশিন্নবগীদমক্তা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা স্পোর্টস ট্রেনিং সেন্টরশিং নৌনা লিংখৎপিনবা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা প্রপোজ তৌখ্রে। হায়রিবা থবকশিং অথুবা মতমদা মায় পাক্লা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা শিন্নরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ। নৌনা স্পোর্টস ট্রেনিং সেন্টর লিংখৎপিনবা মিনিষ্ট্রিদা প্রপোজ তৌখিবা অদু সেনাপটি, উখুল, চুরাচান্দপুর, ককচিং অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা শানবনি।

খেলো ইন্দিয়া স্কিম ২.০গী মতাংদা পল্লদুনা ডাক্তর ভেটোনা হায়, থৌরাং অসিগী মখাদা বিষ্ণুপুরদা স্বিমিং পুল অমা, ময়াংইম্ফালদা মল্টিপর্পজ ইন্দোর ষ্টদিয়ম অমা লোয়ননা ব্লোক ব্লোকশিংদা নেচরেল গ্রাস ফুটবোল গ্রাউন্দ ৮ শেমগৎপগী থবক য়াওরি। মসিগী মনুংদা গ্রাউন্দ ৫ শেন্বা লোইরে অমদি লেমহৌরিবা গ্রাউন্দ অহুম অসিসু লোইশিন্নবা থবক পায়খৎলি। লাক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া ৩.০ অসিগী মখাদা ষ্টেট অসিনা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং কয়াসু লৈরি।

নেস্নেল স্পোর্টস একাদেমিগুম্বা একাদেমি তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা থম্বগী মতাং য়াওনা মতমগা চানবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নবা অমদি শান্নরোইশিং রেজিষ্টার তৌবগী থৌরাংশিং পায়খৎহৌবনা ষ্টেট অসিগী শান্ন–খোৎনবগী লমদা হেন্না মাঙজিন থাবা অমদি খুমাঙ চাউশিনবা ঙমগনি হায়খি।

# ঐচ এ সিগী মীফমদা নাগা অমদি কুকি ...

*লমায় ৩গী মখা...* অমদি রাম মুইভানি।

মীফম অদুগী মতাংদা ঐচ এ সিগী চেয়রমেন দিনগাংলুম দাংমৈনা হায়, তোঙান–তোঙানবা এম এল এ কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদু য়ান্না মরু ওইবা অমদি মপুং ফাবা মীফম অমনি। মীফম অসিনা অমত্তা ঙাইরবা প্লেটফোর্ম অমা ওইদুনা হীল এরিয়াশিংদা থেংনরিবা অৰা অনা অমদি দিভলপমেন্টকী মতাংদা কুপ্না খন্নখি। খন্নবা অদুদা কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিংনা অমগা অমগা মতেং পাঙনদুনা অমসুং থবক তৌমিন্নদুনা চীংগী দিভলপমেন্টগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং মায় পাক্লা পায়খৎনবা অমত্তা ওইনা য়ান্নখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, নাগা অমদি কুকি কম্যুনিটিগীশিংগী মরক্তা থোক্লিবা মীহাৎ মীপুন য়াওবা থৌদোক ৰাথোকশিং অসিনা মরম ওইরগা মতম শাংনা নাগা অমদি কুকি এম এল এশিং পুনবা ঙমদনা লাকখিবনি। দিপ্যুতি সি এম লোসি দিখোনা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীখ্রবা নাগা মীওই ৬ অদুগী মতাংদা দিপ্যুতি সি এম নেমচা কিপগেনগী মথক্তা য়ানিংদবগী ৰাফম ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

# থবক তৌবদা য়েৎলকপা ...

*লমায় ৩গী মখা...*
তোঙান–তোঙনবা এইদ অমসুং এসিষ্টিব দিভাইস কয়া য়েন্থোকখ্রে।

মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবদা পূক্নিং থৌগৎপা নত্রগা হেন্না অফবা থবক তৌগে হায়বা ৰাখল্লোন খনবগী মহুৎতা অয়েৎ অপন পীনবা হোৎনরকপা লাইবক থীবনি হায়না মহেশ্বর থৌনাওজমনা ফোঙদোকখ্রে।

রাষ্ট্রিয়া ভয়োশ্রী যোজনা (আর বি ৰাই) অমদি এ দি আই পি স্কিমগী মখাদা এ এল আই এম সি ও (পি এম– দি ভি কে), আর পি আই–এ মণিপুর, য়ুনিট, সি আর সি ইম্ফাল অমদি সোসিয়েল ৰেলফেয়র দিপার্টমেন্টকা পুন্না খুৎশন্নদুনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা কৈশামথোং এ সিগী মনুং চন্না লৈবা চহী য়াল্লবা অহলশিংদা হুইল চেয়র, ক্লি বেল্ট, ৰার্কিং ষ্টিক, হিয়ারিং এইদ, ফ্লোদেবল ৰার্কিং ষ্টিকনচিংবা এইদস এন্দ এসিষ্টিভ দিভাইসশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৰাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মীয়ামগী মতেং পাঙবা হায়বসি ভোয কারগা পাঙগদবনি হায়বা লৈতে। ভোট কাদ্রবসু মীয়ামগী মতেং অদুম পাঙবা য়াই হায়বা ৰাখল্লোন অসিদা আর পি আইনা চঙশিল্লি। অদুবু লাইবক থীবদি ঐখোয়গী সিষ্টেম মনুং অসিদা লৈরিবা অমোৎপা, মীচঙ শঙ্গ নাইবা, পোলিটিসাইজ তৌদুনা অয়েৎ অপন পীবগী হৈনবী অসিনা ঙসিদি মীয়ামগী ওইবা থবক অমা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা খুরৌ অমা ওইরি।

ঙসি মীয়ামদা য়েন্থোক্লিবা তেঙবাংগী পোৎলমশিং অসি মহেশ্বর থৌনাওজমগী শেনগাওদগী শেলনা লৈবা নত্তে, গভর্ণমেন্ট স্কিম হায়বসিদি মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইটনি। মসিদা মহেশ্বরনা মনা লৌগদবা নত্তে। মহেশ্বর থৌনজাওজমদি শুপ্নতগী চেনচোংজরুবগী ৰাফম খক্তনি। মীয়ামগী মহুৎ হায়বসি মীয়মাগী অৰাৎ–অপা, মীয়ামগী খোল্লাও অদু তাবিরগা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবনি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী য়ানবা, তুমিন্না লৈশিনবা, ৰা ঙাওথোক্তবনা মরম ওইরগা ঙসিদি মীয়ামগী খোল্লাও অসি নমথরকপনি হায়বসি ঐখোয় খঙমিন্নসি হায়না মহাক্লা হায়খি।

# পি এল এগা ...

*লমায় ৩গী মখা...* আর পি এফ অমদি মসিগী লাম্নী শঙলুপ পি এল এগা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না লোনা থিংখ্রবা লুপ আর পি এপকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী পব্লিসিটি বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# চীফ সেক্রেটরিনা সেৰা সঙ্কলপ ...

*লমায় ৩গী মখা...*
দাইরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর)নসু শিন্দুনা সেৰা সঙ্কলপ অভিয়ান ২০২৬ কী থৌরম দিপার্টমেন্ট অসিমক্তদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দি আই পি আরগী দাইরেক্টর দা. টিঐচ চরঞ্জিৎ, এদিসনেল দাইরেক্টর দল্লিয়ু ফজ তোম্বী অমদি টি রমেশনচিংবসু শরুক য়াখি। লোয়ননা ইম্ফাল ৰেষ্টকী লমফেলপাৎতা লৈবা দি সি ওফিসতসু সেৰা সঙ্কলপ অভিয়ান ২০২৬কী থৌরম পাঙথোকখি।

# পি এম দিভাইন স্কিমগী মখাদা প্রোজেক্ট ...

*লমায় ৩গী মখা...*
ওফ ষ্টেট দোনর অমসুং এদুকেসন ডাক্তর সুকান্তা মজুমদারনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক কুমওন নুমিৎ পালন অমসুং মহাক্লা ইং ২০০১ দগী গুজরাতকী চীফ মিনিষ্টর ওইরকপদগী হৌরগা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা হৌজিক ফাওবদা মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহী ২৫ মপুং ফারকপবু নিংশিংদুনা সেবা সনকাল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা অশিবার্দ কা দিয়া (লেম্প ওফ ব্লেসিং) থৌরম অদুদা অন্দ্রো এসিগী তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদগী লাকপা মীয়াম, অন্দ্রো এসিগী মনুংদা লৈবা গ্রাম পঞ্চায়টকী চিয়ারপার্সনশিং, অন্দ্রো ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লরশিং, দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অন্দ্রো কেন্দ্রগী মীহুৎশিং, মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ দোনর অমসুং এদকুকেসন ডাক্তর সুকান্তা মজুমদারনা হায়, মণিপুরদগী হৌদোকখিবা শগোল কাংজৈ মশান্না (পোলো)বু মালেমগী মীয়ামগী অমুক্কা হেন্না মীৎয়েংফম অমা ওইহন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা প্রোজেক্ট অমগী মখাদা মশান্না অসি য়োকখৎতুনা হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনরি।

মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী পাৱার হাউস অমা ওইরি হায়রদুনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অন্দ্রো এসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিংগী মফমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট দোনর অমসুং এদুকেসন সুকন্তা মজুমদারনা হায়, লৈবাক অমনা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইবা অসি লমদম অদুগী মহৈরোইশিংগী মখা য়ান্না পোল্লি। তিঙ্গং কায়জংদবা, মতিক চাবা মহৈরোই য়ান্না পুথোকপা ঙল্লবদি লৈবাক অদু হেন্না চাওখৎকদৌরিবনি।

হৌজিক ক্লাস রুমদা ফমদুনা মহৈ তম্লিবা মহৈরোইশিং অসিনা মতম অদুদা অমুক হন্না ইন্দিয়া লৈঙাক অসিবু ঙাক শেনগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী লায়বক ঙসিগী মহৈরোই য়ুথশিং অসিগী মখুৎতা তাদুনা লেপকদৌরিবনি। মহৈরোইশিংদা অফবা ক্বালিটি লৈবা এদুকেসন পীদুনা মতিক চাবা মীশক অমমম ওইহন্নবা হোৎনবা অসি ঐখোয় পূন্নমক্কী তৌদ্রবা য়াদ্রবা ইথৌদাংনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. সুকান্তা মজুমদারনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রনা শাগৎচরিবা হিরম খুদিংদা চাওখৎপা ভারত অমা পুরক্লবগী ‘ভিকশিট ভারত ২০৪৭’গী মঙলান অসি ফংনবা মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়রদুনা ডা. সুকান্তা মজুমদারনা হায়, ইনখৎলক্লিবা য়ুথশিংগী পার্টিসিপেসন য়াওদনা ভিক্সিট ভারত ২০৪৭গী মঙলান অসি খক মঙফাওনবা ঙল্লোই। হৌজিক মহৈ তম্লিবা মহৈরোইশিং অসিগী মরক্তগী খরনা পোলিটিসিয়ান, খরনা ইঞ্জিনিয়ার, খরনা ওজা, খরনা দাক্তর, খরনা সাইন্টিষ্টনচিংবা তোঙান তোঙানবা শিনফমশিং পায়দুনা লৈবাক অসি মপুং ফাবা, মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা শেমগদৌরিবনি। য়ুথ খুদিংমক্লা ইমা লৈবাক ইন্দিয়াগীদমক অচৌবা রেস্পোন্সিবিলিটি লৈ হায়বসি খক কাওদবনা ফৈ।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া চাওখৎতনা, নোর্থ ইষ্য ইন্দিয়া য়াওদনা চাওখৎপা ইন্দিয়া অমা খক ওইরোই হায়বা নিংথিনা খঙই হায়রদুনা ডাক্তর সুকান্তা মজুমদারনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংবু য়ান্না লুন্না লৌদুনা লমদম অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবগী থবক কয়া পায়খৎলি। সাউথইষ্ট এসিয়াগী গেটৱেসু ওইরিবা নোর্থ ইষ্টকীদমক দোনর মিনিষ্টর হায়না লমদম অসিখক্তগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎনবা তোঙানবা মিনিষ্ট্রি অমা থন্নলক্লি। নোর্থ ইষ্ট চাওখৎনবা প্রোজেক্ট কয়া থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরি। ওন্থোকপসু হৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা নোর্থ ইষ্টকী চাওখৎ থৌরাংগীদমক দোনর মিনিষ্ট্রিগী মখাদা অপূনবা শেনফম লুপা ক্রোর ২৭,৯৬৩গী শেন্থং থাদদুনা দিবলপমেন্ট প্রোজেক্ট ২৭৩০ মপুং ফানা পায়খৎপা লোইশিনখ্রে হায়রদুনা ডা. সুকন্তা মজুমদারনা হায়, হৌনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট ৩৭৪৬কী সেঙ্কসন তৌখ্রে হায়না ডা. সুকান্তা মজুমদারনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়, মণিপুরগী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরসু দিবলপমেন্ট ইনিসিয়েটিব ফোর নোর্থ ইষ্ট রিজন (পি এম দিবাইন)গী মখাদা লুপা ক্রোর ৫৬১ চংনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট ৭কী সেঙ্কসন থোকখ্রে। মদুগী মনুং চন্না মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি, সুপরস্পিসিয়েলিটি হেল্থকিয়ার ইন রিমোট এন্দ হিল দিষ্ট্রিক্ট, ফমুং ৬০ লৈবা ষ্টেট মেন্টেল হোস্পিটাল লম্ফেলপাৎ, ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট ফোর ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি, ইনফ্রাষ্টকচর দিবলপমেন্ট ফোর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর ৰাখা ইম্ফাল ইষ্ট, মণিপুর ইন্টরনেস্নেল কনভেন্সন সেন্টর ইম্ফাল, ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট ওফ প্রোসেসিং জোন ওফ মণিপুর আই টি সেজ মন্ত্রিপুখ্রি, আর্টিষ্ট ভিলেজ ফোর লোংপি ব্লেক পোট্টেরি অসিনচিংবা কয়া য়াওরি হায়খি।

লুপা ক্রোর ২গী শেনফম মণিপুরগী হিষ্টোরিকেল মোনুমেন্টশিং শেমজিন শাজিন্নবগী য়াওরি। লুপা ক্রোর ৫.৩৬ চংনা ইকো টুরিজম পার্ক অন্দ্রো শেমগৎনবগী থৌরাং তৌরি।

ফিভম শোক্লবা অন্দ্রো ঙারিয়ান চীংখোংদগী অন্দ্রা বজার তাবা লম্বী অসি শেমগৎনবা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা প্রোজেক্ট অমগী মখাদা লম্বী অসি শেমগৎনবা মিনিষ্ট্রিনা খন্নরগনি হায়না ডা. সুকান্তা মজুমদারনা ফোঙদোকখি।

অন্দ্রো এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমারনা হায়, ইন্দিয়াগী প্রাই মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাতকী চীফ মিনিষ্টর ওইবদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা চহী ২৫ মীয়ামগী সেবা তৌরকপা ঙমখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমিৎ পালননা লাকপদা অন্দ্রো এসিগী মীয়ান্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পুন্সি নুংশাংনা মখা তানা লৈবাক মীয়ামগী সেবা নিংথিনা তৌবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিদুনা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরগী জোইন্ট সেক্রেটরি ধরনভীরঘা, অন্দ্রো খুনগী খুল্লাকপা সগোলসেম চন্দ্র, মণিপুর লৈঙাক্কী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টগী দাইরেক্টর আরকে রাধেস্না অমসুং সোসিয়েল রার্কর থৌনাওজম ববিতানা দাইজতা ফমখি।

# এনআরসিগী বেজ ইয়র ১৯৫১ ওইদ্রিবা...

*লমায় ৩গী মখা...*
এল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও)না জে এফ দিগী মীৎয়েং মখাদা ইমা কৈথেল লিলোং বজারদা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিঙৈ সেন্সস তৌবা য়ারোই। আই দি পিশিংনা য়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবা সেন্সস তৌবা য়ারোই অমসুং এন আর সি অপদেট তৌবগী বেজ ইয়র ১৯৫১দা ওইগদবনা হায়বগী মতাংদা চথখিবা ৰাকৎ মীফমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

জিতেন্দ্র নিঙোম্বমনা মখা তারদুনা, মণিপুরদা থোক্লিবা ঈৰাং অসি মপান লমদগী নারোনদা চংলকখিবা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা থোকহনবনি হায়বসি মীয়ান্না হেন্না খঙনরে। মীতোপনা খূল্লিংবা লমদম অমা ওইরক্কদৌরিবা ফাওবা লৈঙাক অসিনা মীতোপ খন্দোক্লবা থৌরাং তৌবা লৈত্রি। মীয়ান্না মীতোপ খন্দাক্লবা মতুং সেন্সস তৌবীয়ু হায়দুনা লাওরিবসু মীয়ামনা উৎ চাইদুনা মচেৎ মকায়গী সেন্সস য়ৈথোক্লি হায়দুনা লৈথোক্তুনা লৈরি। তুংগী মীরোলগী খনবা ঙমদ্রবা লৈঙাক অসিদা জে এফ দি অমদি মীয়ামনা তক্নদুনা লাক্লিবা এন আর সি অপদেট তৌরবা মতুং সেন্সস তৌগদবনি, অমদি এন আর সি অপদেট তৌবগী বেজ ইয়ার অসি ১৯৫১ ওইগদবনি হায়বা দিমান্দ অসি লৈঙাক অসিনা তাবিদবা তারবদি তুংগী মীরোলগীদমক মীয়ান্না হনবা লৈতনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিন্নবা শেম শাবা লোইরে। লোয়ননা জে এফ দিনা সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা সেন্সস মপুং ফানা য়ৈথোক্তুনা এন আর সি অপদেট তৌগদবনি লোয়ননা এন আর সি অপদেট তৌবগী বেজ ইয়ার অসি ১৯৫১ ওইহনগদবনি হায়বা দিমান্দ অসিগী চপ চাবা পাউখুম গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর লৈঙাকনা খঙহনবা ঙমদ্রবদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লকপদা অফ– ফত্তগী তেকচাক পূম্বা লৈঙাক অসিনা পুগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ‘রিলিফ কেম্পতা লৈখিদ্রবা মীওই ...

*লমায় ৩গী মখা...* লৈঙাক্তা তোঙান– তোঙানবা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা খঙহনখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টতা চথখিবা হিয়ারিং অদুদা চীফ জষ্টিস সুরিয়াকান্তনা লৈখিদ্রবা আই দি পি ২৫ অদুগী মথৌ তাবা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট পীখৎলক্লবা অমদি আই দি পিশিংগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিনা ওর্দর থোকপগী মহুৎ করি করন্বা খোঙথাং পায়খৎলিবগে হায়বা খঙহনগদবনি হায়নসু অকনবা ৰাফম ফোঙদোকখি।

চীফ জষ্টিস সুরিয়াকান্তগী বেঞ্চ অদুনা লৈখিদ্রবা আই দি পিশিংগী কম্পেনসেসনগী শেনফম লুপা লিশিং ২০দগী ৩০ খক্তং পীখি হায়রিবা ৰাফম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী মরিক চুম্বা রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি। মণিপুরগী ইৰাং অসিদা লৈখিদ্রবা অপূনবা মীশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী চপ মান্নবা রিপোর্ট পীদ্রিবা অসিগী মতাংদসু সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্কী মথক্তা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

অসিদা নত্তনা মরম চাদনা লৈখিদ্রবা আই দি পিশিংগী মতাংদা মণিপুর লিগেল ওথোরিটি সার্ভিসতা এফ আই আর লৌখৎনবসু সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে।

# লিকর সোপ লাইসেন্সস ১২না ...

*লমায় ৩গী মখা...*
তখেলম্বম গিটচন্দ্র মিতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি কোলিসন এগেন্স দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) লিংখৎখিবগী ২০রক শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম পুরৈরোম্বা খোঙনাং মখোঙদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মতম মতমগী পাল্লম্বা গভর্ণমেন্টশিংনা লমদম অসিদা য়ু অসি লিগেলাইজ তৌরগা গভর্ণমেন্টতা রিভেন্যু কারক্লবা হোৎনদুনা লাকখি।

হৌখিবা ইং ২০২৩গী দিসেম্বর ৪দা ষ্টেট কেবিনেট মীফম অমা মতম অদুগী সি এম ওইরম্বা এন বিরেননা চিয়ার লৌদুনা লিকর প্রোহিবিটেসন এক্ট লৌথোকখি। কেবিনেট মীফম অদুনা লৌখিবা ৰারেপ অদু সিভিল সোসাইটিজ কনাগুম্বা লুপ অমতগা খন্নরমদনা নমদুনা লৌখিবা ৰারেপ অমনি। ৰারেপ অদুগী গেজেট নোটিফিকেসন অমসু দিসেম্বরগী তাং ৬তা থোকখি। গেজেটেট নোংটিফিকেসন অদুদা গ্রেটর ইম্ফাল, দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর, টুরিষ্ট স্পোটস, রেজিষ্টারদ হোটেলস ৰিট ২০ প্লস বেদেদ রুমস, হায়রিবা মফমশিং অসিদা অথিংবা অসি কোমথোক্কনি হায়বা ৰারোল য়াওরি।

২০২৩দা লৌখিবা ৰারেপ অদুনা মরম ওইরগা মীয়ামগী ৰাখলদা য়ু অসি লিগেলাইজ তৌরে হায়দুনা য়ু থকপগী চাংসু খঙহেন হেনগৎলকখি। মতম অদুগী হুরান–লানাদা লোন্না–থুপ্না য়োলম্বা য়ু অদু হৌজিক্তি লম্বীগী গোলাই খুদিংমক্তা ফোঙনা য়োন্নরি, মদুদগী হেন্দোক্তুনা সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোমশিংদা ফাওবা য়ু এদভর্টাইজ তৌদুনা ফোঙনা য়োনবগী ট্রেন অমা লাকখি। গভর্ণমেন্টকী রিভিন্যু খরগী খল্লগা লৌখিবা ৰারেপ অদুনা ঙসিদি লমদম অসিগী নহাশিং য়ুরাই চুরকপা য়াবগী ফিভম অমদা লাক্লি হায়না মহাক্লা নুংনাংবা ফোঙদোখি।

থৌরম অদদা ওল মণিপুর ৱুমেন’স সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)কী প্রসিদেন্ট থোকচোম ওংবি রমানি, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিওকুমার অমদি জে এফ দিগী ফাইনান্স সেক্রেটরি সুনিল করন্না অথোয়বা মীথুংলোনশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লুপ অসি লিংখৎলকপদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্বা লৈখিদ্রবা থৌমীশিংনা লাইরমলেন্দদা ইংন–চিক্লা লৈরুনবা মিনিট ২ লেপ্তুনা অৰাবা ফোঙদোকখি।

# ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী মীফমদা..

*লমায় ৩গী মখা...*
থাক্কী মীফম অদুদা তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংগী ফাইনান্স মিনিষ্টর, ফাইনান্স সেক্রেটরি অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরী লৈনবা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লাক্লিবা কুমজা ২০৪৭দা লৈবাক অসিবু ৰাৎতা পাদবা, খূৎকন পাঙ্গনবা ‘ৰিক্সিত ভারত’ অমা ওইনবা চঙশিল্লিবা খোঙথাং অসিবু মঙফাওননবা হোৎনবদা ফাইনান্সকা মরী লৈননা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা তুনা চৎমিন্নদুনা মায় পাক্লনবগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী মায়কৈদগী থাদোরকপা ৰারোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ‘নুপীশিংগী থৌদাং ...

*লমায় ৩গী মখা...*
থৌরম অদুদা এ সরদানা হায়, মণিপুরগী নুপীশিংগী থৌদাং অসি মহুৎ শীনবিনবা নুপা অমত্তা লৈবাক অসিদা লৈত্রি হায়না শীংথাখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, চৎনবী অমা ওইনা খুন্নাই অসি চিংখৎনবা হোৎনবদা নুপাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবগুম্না উহল্লি। অদুবু মসি অচুম্বা নত্তে, নুপীশিংনা খুন্নাই অসিগী মমায় চুল্লিবনি। খুদম ওইনা মণিপুরগী খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল অসি ইরাই লাইনা অমদি চন্না য়েংবা য়ারোই। মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা কৈথেল অসিদগী ইমুং চা কয়া পুরকপদা নত্তনা খুন্নাই অসিগী ইহৌ খুদিংমক্কী মমাই চুল্লিবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকপনি হায়খি। লোয়ননা খুন্নাই অসি মাঙলোম্দা চঙশিনবদা ওল মণিপুর প্রাইমারি হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট আর্টিসিয়ান ওর্গনাইজেসনন লৌরিবা থৌদাং শিংথানিংঙাইনি হায়খি।

# ডোক্তর লৈতবদগী মীরোনবী ...

*লমায় ৩গী মখা...*
অবোথেনা মখা তানা হায়, জুলাই ২০দা পুয়ানা হোস্পিটাল অসিদা য়েংশিনবা চৎলুরবা মতুংদা দিপার্টমেন্টদা হায়জবদগী জুলাই ২২দা পেদিয়াত্রিক ডোক্তর অমগা গাইনি ডোক্তর অমগা পোষ্টিং থারক্লগা ঙসি ফাওবা থবক জোইন্ট তৌরমদ্রে। হোস্পিটাল অমদা ডোক্তর থাবসি চে খক্তদা থারব্রা হায়বগী ৰাফম অমা থোক্লে। করিগুম্বা ডোক্তর অনী অসি লৈরম্লবদি ঙরাং শুগনুদগী খাইদেম ওংবী মালেমঙানবী কৌবী মীরোনবী নুপী অমা হোস্পিটাল অসিদা পুখৎলক্লগা ডোক্তর লৈতবদগী অতোপ্পা হোস্পিটালদা রিফর তৌবদগী লম্বীদা লৈখিদবনি। করিগুম্বা হোস্পিটাল অসিদা ডোক্তর লৈরম্লবদি লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোক্লম্বসু য়াই।

শুগনু হোস্পিটাল নত্তনা অতোপ্পা হোস্পিটাল লৈত্রবা অসিগুম্না লম্বী থোংগী খুদোংচাদবা তোঙান–তোঙানবা মফমদা লৈবা হোস্পিটাল মপুং ফাবা হোস্পিটাল ওইনা থন্নবা হোৎনবিয়ু হায়না পুয়ানা হায়জবসিদা লৈঙাক্লা করিসু নাচুংদনা লৈরি। হোস্পিটাল অসিদা পোষ্টিং পীরগা চৎলু য়াদ্রিবা ডোক্তরশিংগী মথক্তা পারা অমা তম্বীদুনা মতুংদা মহাক মশামক নত্তনা অতোপ্পা ডোক্তর অমা মহুৎ থল্লগা মশা লাক্তে হায়না থমখিবা অমদি হোস্পিটাল অসিদা অলটরসাউন্দ মেছিন লৈত্রি থম্বীয়ু হায়না পুয়ানা থমখিবা ৰাফম ঙসিসু মীৎয়েং অমত্তা চঙলদ্রি। মতিক চাবা অনা লায়েংবগী কুদোং চাবা ফংবা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা নীংশিংবিরগা ইম্ফালদগী লাপ্না লৈখ্রবা হোস্পিটালশিংদা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবিয়ু হায়না মহাক্লা মখা তারি।

| সনা–সুদোকু–১০৮২গী সোল্যুসন | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 4 | 6 | 5 | 9 | 7 | 1 | 2 |
| 5 | 7 | 1 | 2 | 3 | 4 | 8 | 6 | 9 |
| 9 | 6 | 2 | 8 | 1 | 7 | 5 | 4 | 3 |
| 2 | 5 | 8 | 3 | 7 | 6 | 4 | 9 | 1 |
| 6 | 4 | 3 | 1 | 9 | 5 | 2 | 8 | 7 |
| 7 | 1 | 9 | 4 | 8 | 2 | 3 | 5 | 6 |
| 3 | 8 | 7 | 9 | 4 | 1 | 6 | 2 | 5 |
| 1 | 2 | 5 | 7 | 6 | 8 | 9 | 3 | 4 |
| 4 | 9 | 6 | 5 | 2 | 3 | 1 | 7 | 8 |

সত্যমেব জয়তে

# নহাগী শক্তি

## ব্রিক্সিত ভারতকী মীৎয়েংদা চঙশিনবা



গভর্ণমেন্ট সার্ভিসকী খুৎথাংদা জাতি
শেমগৎপগা লোয়ননা নহাশিংগা শম্নবা খোঙথাং অমা

# রোজগার মেলা

লৈবাক পূম্নমক্কী মফম ৪৫দা এপোইন্টমেন্ত
লেট্টরশিং য়েন্থোক্কনি
গভর্ণমেন্টকী থবকশিংগীদমক খল্লবা কেন্দিদেট ৫১,০০০+দা

# নরেন্দ্র মোদি

প্রাইম মিনিষ্টর না

(ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুৎথাংদা)

থাংজ, ১৯ সেপ্টেম্বর ২০২৬ নুংথিল পুং ১২:৩০

- ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং শরুক য়ারিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা এপোইন্টমেন্ট লেট্ট্রশিং পাক্তক্না য়েন্থোকপা।
- লম লমগী লোন ১৩গী খুৎথাংদা রিক্রুটমেন্ট এক্সামিনেসন পাঙথোক্তুনা চপ মান্নবা খুদোংচাবা পীবা।
- পেপর লিকশিং থিংনবা অকনবা লো–অখন্নবা ফাষ্ট– ত্রেক কোর্টশিং লিংবা অকক্নবা মতমদা ইনভেষ্টিগেসন তৌবা অমসুং থুনা ত্রায়েল তৌবা।
- য়ু পি এস সিগী ‘প্রাতিভা সেতু’ পোর্টেলগী খুৎথাংদা টেলেন্ট লৈবা নহাশিংবু প্রাইভেট সেক্তরদা থবক পীবগী খুদোংচাবা লৈ।
- য়ু পি এস সি, এস এস সি, রেলৱে রিক্রুটমেন্ট বোর্দ (আর আর বি এস) অমসুং আই বি পি এস গুম্বা মশক নায়বা রিক্যুটমেন্ট এজেন্সিংগী খুৎথাংদা এপোইন্টমেন্ট পীবা।
- মনুং মপান নায়দবা, মতম চাবা অমসুং মেরিট বেজ রিক্যুটমেন্ট প্রোসেসকী খুৎথাঙদা অপাম্বা নহাশিংদা শক্তি পীবা।
- অধার বেজ ভেরিফিকেসন অমসুং ফেস ওথেন্টিকেসনগা লোয়ননা এক্সামিনেসনগী ক্রিদিবিলিটি হেনগৎহনবা।
- নৌনা থবক হাপ্লবশিংগীদমক কর্মযোগী ওনলাইন মেদুলগা লোয়ননা আই জি ও টি কর্মযোগী প্লেটফোমদা লর্নিং কোর্স ৬,৭০০গী মথক্তা ফংহল্লি।

CBC 15401/13/0004/2627

DD NEWS
দি দি ন্যুজদা প্রোগ্রাম অসি
লাইফ টেলিকাষ্ট তৌবা য়েংউ

ত্রেনিংগী মতাংদা অহেনবা ঈ–পাউগীদমক কর্মযোগী মোদুল য়েংউ
website https://portal.igotkarmayogi.gov.in নত্রগা ক্যু আর কোদ স্কেন তৌ

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com